# “অদোম কৈইয়ুম্নো, করি শাগৈনো-?”

- এল ইবোমচা -

“অদোম কৈইয়ুম্নো, করি শাগৈনো-?”
“নঙদি চেংলৈ শাগৈগী
ওইগনু মৈতাল অশিবা,
নঙদি চেংলৈ শাগৈগী
ওইয়ুকো মৈতাল অরাবা!”

মথক্কী ৱাহৈ খরা অসি চেংলৈ নিংথৌ নুংলাইবগী তালোই শাৱাং লৈমনা মহাক্কী নৌনা ফংজখিবা চেংলৈ মপারিদা থৌজাল পীবদা হায়খিবা ৱাহৈ ৱাতানি।

অঙাংদি অপেৎপা লৈখোমগুম্বনি ওইহন্নীংবা মওংদুদা ওইহনবা য়াই, শান্না শান্ননা তন্বীগনি, হরাও হরাওনা লোয়নবীদুনা তাকপী তন্বীগনি। অঙাংগী মতমসি তশেংনা মী অমা নত্তে, মী অমা ওইনবগী লম্বীদা লৈরিবনি হায়বা য়াই। চৎহন্নীংবা লম্বীদা খূৎ থিন্দুনা তাল্লগা মখোয়দা পামহনগনি, মথংদা মদুগী মথক্তা চৎহনগনি। মখোয়না পামজবদি মখোয়দা খরা নুংঙাইজবা অরাইবা শিনফম খক্তদা খোইদাজৈ হায়বসি মখোয়দুবু লমজিং লমতাক তৌবিরিবশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা কাউদবা হায়বসিনি। মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা মতিক চাবা মী অমা ওইহৌবা ঙম্নবা শেন্বীরমগদবা মমল য়াম্লবা মতমনি।

অঙাং ওইরিঙৈগী মতম হায়বসি পুন্সিগী মরূ হুনবা মতমনি। মতম অসিদা অফবা মরূ হুলহৌরগা তুংগী পুন্সিদা মপাল নিংথিনা শাদুনা মহৈ য়ানবা পুন্সি ওইগদবনি, অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিগী তাঙ্কক অসি নান্থোকখ্রবদা খুদোংচাবদু অমুক হল্লকখিনি খল্লুবা য়াবা নত্তবনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী তেনখ্রবা তাঞ্জা অসি অরেম্বদা মতম মাঙহন্দনবা হোৎনবীবা চঙই। মরমদি মসিদা ঐখোয়না ‘থৌবান্দোংগী চফুবু কাইনবা য়ৈব্রা?” হায়বা মমাঙঙৈগী পাউরৌ হঙ্গৎনা নীংশিংবা য়াই। মদুদি থৌবান্দোংগী চফু শাবনা অপেৎপা লৈখোম্না শাবা চফু অদুবু য়ৈ-য়ৈদুনা চফু মওং মান্নবা শেম্মী, চফু শারিবা লৈখোমদু পেৎপনা মরম ওইরগা মানা ওইহন্নীংবা মওং অদুদা পুথোকপা ঙম্মী। মতম চানা শেম্বা শাবা তৌহৌরবনা চংখোনবা মশক ফজবা চফুদু ওইহনবা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না অনৌবা মপুন্সি অমগী মমি তম্লক্লিবা অঙাং ওইরিবশিংবু শেম্বী শাবীবগী থৌদাং লৌরিবা অহল ওইবশিংনা লমজিং লমতাকপীদুনা খুন্নাইগী চৎনরোল থকসি-খাসি, মিংগৌ থাগৌ করিমত্তা চিথ্-নান্থদনা তাকপী তন্বীহৌগদবা মতমনি। মসি পূম্নমকসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অঙাংশিং অদুনা শিবা নাবা নত্তবা চৈনা চৈথেং খরবুদি ফংবা য়াই, মদু ফংফম থোকপনি মদুদা ঐখোয়না থোইনা হেন্না মিপাইনীংঙাই ওইদে, মরমদি ফননবা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসিদদি নাক য়েৎতা চৈথেং খরা ফংবা হায়বসি অদুমক লোইনদুনা চৎলি। মসিদা মওং তানবা শেম্বী শাবীরিবা থৱায় পানবা পান্দবা শক্তম অদুনসু ৱারৌ পুরৌ থম্ফম থোক্তে। শেম্বী শাবীবগী থৌদাং য়ারিবা খূৎ হৈবগী শক্তম লৌরিবা অদুনসু ফত্তবা ৱাখল খনফম থোক্তে। হায়নবা লৈ মদুদি অঙাংদি লৈখোমগুম্না পেৎলিঙৈ মতমদা শেম্বীহৌগদবনি!

ঙসিদি ঐখোয়গী অঙাংশিংসি মতম চানা ঐখোয়না নিংথিনা শেন্নবীদুনা তাকপী-তন্বীহৌবা ৱাৎপদগী ঐখোয়গী ফজখ্রবা হৌনা লোনচৎ খঙদবতা নত্তনা ঙাঙনা শক্লরিবা লোন ফাওবা খঙনরক্ত্রে। মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী অঙাং কনাদসু মখোয় মখোয়দুগী মপা মমা অহল লমনশিংনা মশা মশাগী ফুরুপকী লোন তাকপীরুবা, তন্বীরুবা লৈত্রগসু ময়াম্না ঙাঙন-শক্লরিবদু তূমিন্না তারগা মরন্নাই খঙজরকপা ঙাক্তনি। মরমদি অঙাংশিং অয়াম্বদি খজিক্তং তাখিবা, উখিবদা হৈগন-শিংগল্লি, মতৌ তম্বদা থুনা হৈ। অসিগুম্বা মতম অসিদা ঐখোয়গী অঙাংশিংদি লাইরিক তম্বা থারিবনি হায়দুনা অরাপ্পা মফমদা লৈবা স্কুলশিংগী বোর্দিংদা ওইনা থন্বীরি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়না ঙাঙন-শক্লরিবা লোল-ময়েক, নাৎ চৎন-লোনচৎ, মীঙ্গৌ-থাগৌ, থকসি-খাসি কয়ামা খঙদ্রে, উদ্রে। থৌওংসি মণিপুর মীয়াম অমসুং লৈঙাক্লা খঙদবসি লাইবক থীবনি হায়বা য়াই। মরু ওইরিবা নুমিৎ মশীং তরেৎনিনা শারিবা চয়োল অমা হায়বদি - নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, লৈবাকপোকপা, য়ূমশকৈশা, শগোলশেন, ইরাই, থাংজ নুমিৎশিং অসিগী মমিং খঙদে। চহী অমদা থা তরানিথোই হায়বদি শজিবু, কালেন, ইঙা, ইঙেন, থৱান, লাংবন, মেরা, হিয়াঙ্গৈ, পোইনু, ৱাকচীং, ফাইরেন, লমতা হায়রিবা থাশিং অসিগী মমিং হায়বা ঙমদবতা নত্তনা চয়োল অমসি নুমিৎ কয়ানিনা শাই? চয়োল কয়ানা থা শাই? থা অমা হায়বসি নুমিৎ কয়ানিনা শাই? অদুগা থা কয়ানা, নুমিৎ কয়ানা চহী অমা শাবগে হায়বা খঙদে।

মশীং থিবগী মতাংদসু অদুমঙাই, হায়বদি ঐখোয়গী লোলদা অমদগী তরা ফাওবগী মশীং নিংথিনা থিবা ঙমদে। অনী অমা অনীদগী হৌরগা তরা ফাওবগী শুপ্লাক ফাদে। অমা, তরা, চা, লিশীং, লিচা, লিপুন করি হায়রিনো খঙবদি লায়রদনা মচিন্না হায়বা ফাওবা থোক্তে। মশাগী লোল ময়েকশিং খঙদবদগী হেন্দোক্তুনা অদুক্কী মতিক থাক ৱাংনা লৈরিবা ঐখোয়গী নাৎ ফাওবা শম্না মফৈ অমফাও খঙনদ্রে। অতৈ অতৈদদি লায়রদনা মপা মমা পোকপা মপু মবেলদফাওবা করি মিঙ্গৌ কৌগনি খঙদবদগী খুদোম্বীনা ওইনা থিন্দুনা শীজিন্নরে। চহী লিশীং অনী হেনবগী য়াম্না শাংলবা পুৱারী লৈজবা, ইপানাৎ, ইপুনাৎকী ফজরবা চৎনবীনা ইচেল নাইদুনা মথং মথং চেন্থরকপনা পুক্কে চোল্লবা ঐখোয়গী নাৎ, ফিজেৎ-চাকচা, লমচৎ-শাজৎ, লাইনীং-লাইশোন, য়ূমশা-কৈশানচিংবগী মওং মতৌ মপোপ করি অমত্তা কায়দনা ময়েক শেংনা লৈজরিবা পূম্বা ঐখোয়না অঙাংশিংদা মতম চানা তাকপী তন্বীহৌদবদগী ঙসিগী শাথীরবা ফীভমসি য়ৌখিবনি হায়বা য়াই। মসি পূম্নমকসি অঙাংশিং অসিগী মরাল নত্তে, মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদুদা মমুৎ তানা নিংথিনা খঙননবা তাকপী তন্বীহৌদবা অহলশিংগী মরাল ওইফম থোকই। ঙসিদি করি শারে, অঙাংশিং অয়াম্বা মপা মমানা য়াম্না নুংশিনা থোনবীবা মিং শীজিন্নবগী মহুত্তা মশানা থোঞ্জবা ইংলিসকী মমিংদা মীতৌ তমদুনা মিংগী মনিংদা য়ূম্নাক শাগৈগী মিং হাপকৎনরক্লে। অঙাং খরদি য়ূম্নাক শাগৈগী মিং হাপ্পগী মহুত্তা য়েক সলাইগী মিং ওইনা হাপ্পবসু লৈ। অসুম্না অসুম মখা চত্থখিবা থোক্লবদি চহী খরগী মতুংদদি মশা মশাগী য়ূম্নাক শাগৈগী মমিং কাউনখিবা য়াই।

অমরোমদা, পূক্লিং য়াম্না নুংশিনীংঙাই ওইরিবদি মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী ওইনদি য়ূম্নাক শাগৈনা হান্না মমাঙ থারগা মমিং ইবা অমসুং মচিন্না মশক তাকপগী হৈনবী অমা কন্না চৎনরকপা অসিদনি। মহৌশাদি অতোপ্পদা অরানবা থবক তৌরুবা মীওইখক্তনা মশাগী য়ূম্নাক শাগৈ চেন্থরক্কনি কিনবদগী লোৎশিনবগী চৎনবী লৈনরম্মী। ঙসিনা কনাগী মফমদা য়ূম্নাক শাগৈ চেন্থগদবা করি করম্বা অরানবা থবক তৌরুবা খঙদে, অঙাং অয়াম্বনা য়ূম্নাক শাগৈ লোৎশিল্লগা য়েক সলাই ওইনা মদুসু মিংগী তুংদা ইদুনা হাপ্পা কন্না চৎনরক্লি। মমাঙঙৈ মতমদা য়ূম্নাক শাগৈবু কয়াগী মতিক কিনা হঙ্গোইনা চৎনরম্বগে হায়রবদা শাগৈ চেন্থগদবা থবক অমত্তা কনামত্তনা তৌগে খন্নদে। আ: লাই হাক্তক্তগী হৌনা শাগৈবু কয়ামুক য়াম্না লূম্না খন্নরম্বগে হায়বদু শাৱাং লৈমনা মহাক্কী নৌনা ফংজবা মচা চেংলৈদা মথক্কী ৱাহৈ খরসি হায়খিবা অসিনা মতিক চারবা খুদমনি। অদুগা অমনা মহৌশাদি অমুক্তা উখিদ্রিবা মীশক অমা খঙহৌদনা উনবা হেক মীৎকুপ্তা ইহান হান্না “অদোম কৈইয়ুম্নো, করি শাগৈনো-?” হায়না হংনরম্মী।? ●

## ষ্টেটকী পাউ

# সঙাইথেলগী ওলেম্পিক পার্কতা থবক অমগী চৎখিবা মীওই অনী থীবা খঙদনা লৈরি

**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**

থা অসিগী তরুক্কী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা সঙাইথেলদা থবক অমগী চৎখিবা অতোম সমরেন্দ্র অমদি য়ুমখাইবম কিরনকুমারগী মশা হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জে ইন্ট এক্সন কম্মিটি ফোর মিশিং ওফ অতোম সমরেন্দ্র এন্দ য়ুমখাইবম কিরনগী হকচাং থীবা খঙদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা জে এ সিনা শীন দুনা ঙসি খুম্বোং বজারদা মীয়ামগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।




অতোম সমরেন্দ্র (৪৭) অপোকপা এ কৃষ্ণমোহন অমদি য়ুমখাইবম কিরনকুমার (৪৭) অপোকপা ৱাই কালাজিৎ কৌই। মখোয় অনীমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎসোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা খুম্বোংদা লৈবনি হায়রি।

মখোয় অনীনা চৎখিবা মতমদা ক্বিদ কার এম এন ০৬ এল এক্স ০০৩৬ অসি তোংলগা সঙাইথেলগী ওলেম্পিক পার্কতা নুমিত্তুগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা পাউ ফাওনরম্লগা মখা তানা ফঙখিদ্রে হায়রি।

মখোয় মফম অদুদা হৌজিক থোক্লিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক ইরাং অসিদা লৈকায়গী মীওইশিং অশোক অপন য়াওব্রা হায়দুনা য়েংশিনবা চৎখিবনি। মদুগী মতুংদা হৌজিক ফাওবা মখোয় অনীগী লংলা লংজিন করিমত্তা খঙদনা লৈবা অসিনা ইমুং অনীগী মীওইশিং খম থেঙনা অৱাবা মায়োক্লরি।

সমরেন্দ্রগী লোইনবী অতোম ওংবী কবিতানা ফোঙদোরকপদা মহাক তাং ৬ কী অয়ুক পুং ১১ দা য়ুমদগী থোকখ্রগা নুংথিলগী পুং ৪.৩০ ফাওবা মোবাইল টেলিফোনদা পাউ ফাওনরম্লগা মখা তানা ফাওনখিদ্রে। মহাকপু কনাগুম্বশিংনা ফাজিনবীদুনা থম্বীরম্লগদি মহাকপু তেক্তা কায়দনা ইমুং মনুংদা শীন্নবীনবা আপিল তৌরি। লোয়নন্না মহাক্কী পীক্লিবা মচা অনীনা মপা হল্লক্তবা অসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং তুম্বা চাবা খঙদনা অৱাবা কয়া খম থেংনা মায়োক্লরে। লোয়নন্না মণিপুর লৈঙাক্লসু মখোয় অনীবু অথুবা মতমদা থিদোকপীনবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

অমরোমদা, য়ুমখাইবম কিরনকুমারগী লোইনবী বসন্তিনা ফোঙদোরকপদা মহাক্কী মপুরোইবসি অফং অফংবা থবক শুবগা লোয়নন্না গাড়ী থৌদুনা য়ুমগী অৱাৎপা মেন্নরিবা মীওইনি। মহাক্লা মফম খঙদনা লৈখিবা অসিনা ইমুং মনুংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মহাক্কী পীক্লিবা মচা অহুম্না মপা হল্লক্তবদা কপ্তুনা লৈবগা লোয়নন্না মপা হল্লকপা ঙাইরি। মহাকপু কনাগুম্বনা ফাজিন পুনশিনবীদুনা থম্বীরম্লগদি অথুবা মতমদা মহাকপু মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়নন্না তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরক্লবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি। লোয়নন্না মণিপুর লৈঙাক্লসু মখোয় অনীবু থিদোকপীরগা ইমুং মনুংদা ফঙহনবীনবা হায়রি।

অতোম সমরেন্দ্র অমদি য়ুমখাইবম কিরনকুমার থীবা খঙদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা পাৎসোই পুলিস ষ্টেসনদা মিশিং রিপোর্ট অমা কেস রেজিষ্টার তৌখিবগা লোয়নন্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদসু জে এ সিনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা মরু ওইবা ৱারোলদি অহানবদা মফম খঙদনা মাঙখিবা মীওই অনী অসি তেক্তা কায়দনা মণিপুর লৈঙাক্ল া ইমুংগী মীওইশিংদা শিন্নবীয়ু। অনীশুবদা খম থেংনা ৱারবা লৈবাক্কী ইরাং মরকসিদা মীওই অনী থীবা খঙদনা লৈবা হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোনবনি। লমদম অসিদা অসিগুম্বা তংদু লৈতাদবা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহনবীদনবা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা অখন্নবা সোলুসন অমা পুথোকপীয়ু। অহুমশুবা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা মীওই অনী অসি পুথোকপীদ্রবদি মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্না মখল মখাগী খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। মসিগী অফ ফত্তগী দায়ত্ব লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়রি।

# রিমসকী মোর্গতা অশিবা হকচাংশিংগী নমথীবা মনম্না মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে

**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**

থা অসিগী হৌখিবা ৩ দা থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমদা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তুনা মীশি মীনা কয়া য়াওরক্তুনা হৌজিক রিমসকী মোর্গ অমদি জেনিমসকী মোর্গতা অশিবশিং মশক খঙদনা অমদি ইমুং মনুংনা লৌদনা লৈবদগী মনম চেল্লবা হকচাংশিং অদুনা ওফিস অদুদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়রি।

মরু ওইনা রিমস হোস্পিটালগী মোচুআরিদা থল্লিবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং অদুগী নমথীবা মনম অদুনা হাইদোরক্তুনা মোর্গকী অকোয়বদা নমথীবা মনম্না মীওইশিং নাতোন মেন্দুনা চৎনরে। মসিদা নত্তনা মোর্গকী ষ্টাফশিংনা ওফিসতা মথৌ তৌবা অমদি ফমদুনা লৈবদা নমথীবা মনম অসিনা ফম্বা ঙমদ্রে।

হিরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মনম চেন্দনবা অশিবা হকচাংশিং অসিদা হিদাকনচিংবা চাইবীরগদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি খরদি শাফরগনি। অদু নত্তবনিনা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা নুমিৎ কয়ানি অসিগুম্বা মনম নমথীবা মরক অসিদা থবক শুদুনা লৈবদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে হায়রি।

মরকসিদা রিমসকী মোর্গতা লৈরিবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ৩০ দুগী মনুংদা হান্না হকচাং ২৪ পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। ঙসি হকচাং অহুম অমগা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। লেমহৌরিবা অহুম অদুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা য়াই হায়রি।

# সেন্টরগী চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোকহন্নিংই: কে ঐচ য়ু কে ৱাই ও

**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**

লমদম অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি মপানদগী লাকপা ফোরেন্নরশিংনা চহী লিশাং শিৎনা লাক্তুনা লৈরকপদগী চত্থরকপা তমথীবা মশক অদুনি। হৌজিক ইরমদম অসিদা মীওই অমা ওইনা লৈবা ঙমখিদরা নত্ত্রগা লৈবাক ৱাংমদগী লাকপা ফুরুপ (কুকি) গী মখাদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা অদুদগী হেন্না শাথিবা ফিভম অমদা খুদোংথীনিংঙাই ওইনা হিংবা তারিব্রা হায়বা ৱাহং অদু হংনিংঙাই ওইরি হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুঠ ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি আই টোনিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা হৌখিবা জনুৱারী ৫ দা ইম্ফালদা লাক্লম্বা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা মণিপুরদগী দ্রগকী ৱাথোক অসি ২০২৪ গী ইলেক্সন মমাঙদা লোইশিল্লগনি হায়রম্বা কয়া লৈখ্রে। অদুবু ম্যান্মারদগী লাক্লিবা ফুরুপ অমনা মণিপুরবু মখোয়না খুদুম চনশিন্দুনা দ্রগকী মার্কেট অমা ওইনা শেমগৎনবগী এজেন্দা অমদা চত্থরকপা ঈহৌনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# থক্লবা ঈশিং ফঙদবগী অৱাবা মীয়াম্না মায়োক্লরে



**ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচ এন এস):**

হৌজিক ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা নোং চুবগী চাং য়াম্না হন্থরকপদগী মণিপুরগী তম্পাক লম ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলশিংসু ঈশিং লৈতবদগী মীয়াম্না থক্ল-চানবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চাওনা মায়োক্লরে।

হৌজিক মে থা চঙলকপা ফাওবদা নোং চুদবনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংনা লৌহোন হুন্নবা থৌরাং তৌগদবদু ঈশিং লৈতবনা মরম ওইদুনা অপনবা ওইরি। মসিদা নত্তনা মরু ওইনা থক্ল-চানবা ঈশিং অফবা ফঙদবদগী মীয়াম্না মমল তাঙলবসু তাঙনা লৈরগা শীজিন্নরি।

ঈশিং লিটর ১০০০ দা হান্না লুপা ২৫০ পীরম্বা অদু হৌজিক লুপা৭০০-৮০০ দা য়ৌরে। ঈশিং লিটর ২০ চনবা জার অমদা লুপা ৩০-৪০ পীরম্বা অদুবু হৌজিক জার অমদা লুপা ৬০ দগী ১০০ ফাওবা য়োল্লি। মফৌদামদগী পুরকপা ঈশিং অদুনা ইম্ফাল তুরেলদা খরা থাদরগদি মীয়াম্না হৌজিক ঈশিং ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি খরদি শাফরগনি, মদুসু লেপখ্রে। খরা ট্রাইয়েল ওইনা থাবা হৌরম্লগা লেপখ্রে। মফৌদামদগী ঈশিং পুরক্লগা নোংমাইচীংগী ৱাটর সপ্লাইদা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট তৌরবা মতুংদা ইম্ফালগী অকোয়বদা ঈশিং ফঙহন্নবা থৌরাং তৌরিবা অসিনা মীয়ামদা ঈশিং পীবা মপুং ফানা ঙমদ্রি।

মীয়ামদি নোংমগী মথৌ তাবা ঈশিং অদু দরকারগী মতুং ইন্না মমল তাংলবসু তাংনা লৈরগা শীজিন্নরি। মীয়াম্না ঈশিং ফঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিদা লৈরিবা এসি ৬০ গী এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা মীয়ামগী মথৌ তাবা ঈশিং অদু লৌরগা য়েনবীরগদি মীয়াম্না ৱারিবা অসি খরদা ওইরবসু কোক্কনি। হৌজিক মণিপুরদা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা অচৌবা থোকহন্নিংদবা ইরাং অমনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মরক্তসু চত্থোক চৎশিনদা খম থেংনা অৱাবা অমা ওইরি।

মণিপুরদা ঈশিংগী অৱাবা অসি লৈহন্দনবা মীয়াম পুন্না মণিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী লমদমদা উমং য়োকখৎতুনা অকোয়বগী ফিভম কায়হন্দনা থম্নবা হেন্না মথৌ তাই। ইম্ফাল তুরেলগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ফিট ৫-৬ ৱাংবা হাইদ্রেল দাম মচা মচা শাদুনা কিলোমিটর ৪-৫ খুদিংগী হাইদ্রেল দাম মচা মচা শাদুনা ঈশিং য়োকপা য়াম্না দরকার লৈ। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদি নোং তারগনা ঈশিং ঈচাও থোকপা, তাদ্রগনা কংবগী ফিভমদা লৈরি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১) **“রাগ মঞ্জরী দর্শন (অহানবা অমদি অনীশুবা শরুক)”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
২) **“বিক্রমোর্ব্বশী”** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?
৩) **“অনৌবা মপোক”** হায়না মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪) **“সার্কাস”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?
৫) **“ঐনা ইন্টরনেট হেক্কর ওইরবা/লৌরমগনি লোন্না/চেকশিন্না য়াম্না লোন্না/থল্লিবা লৈঙাকপশিংনা লৈনুংদা/শান্তিগী পাসৱার্দ।”** শৈরেং মতেক অসি নহা ওইরিবা, শকখঙনরিবা অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? অইবা অসিনা কনানো অমসুং শৈরেং মতেক অসিগী লৌথোরকফম শৈরেংদু করম্বনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউ-খুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ইকায়খুম্নজরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংদি তুমিন্না লৈবীবগী লৈবীবা অদুম্মক লৈবীরো, ঈরাং শাফরক্লবা মতমদা অৱাই-অখুম তৌবীরক্লনু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌজিক মণিপুর মীয়ামগী লৈবীরিবা মীহুৎ ৬০ মক মমাংগী কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা মায় পাক্লক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবীরক্লিবনি। লাইবক ফবদগী ১২শুবা এসেমব্লি মীখলগী মতুংদা লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী চৎনরোল মতুংইন্না মশীং য়াম্বা কাঙলূপনা মীয়ামগী লৈঙাক্লোন খূৎপায়নদুনা লৈরকপগা ইরোয়নন্না হৌজিক ফাওবদা মীয়াম্না মখোয়গী মীহুৎশিংনি হায়দুনা থাগৎচখিবা মীহুৎ ৬০ মক তেক্ত-কায়দনা লৈবীদুনা মীয়ামগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াবীরক্লিবনি।

অদুবু হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দা ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম)না শীন্দুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর খরদা চৎখিবা ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চকী খোঙচৎ লোইশিল্লকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা তায়নরিবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদগী লানমৈ চাকপগুম্না মণিপুরগী মফম কয়াদসু শন্দোরক্তুনা ফুরুপ অনীগী মীচম মীয়ামশিংগী য়ূম-কৈ অমদি লন-থুম কয়া অমাং-অতা থোকহনখিবদা নৎতনা মমল য়াম্লবা নাকল অনীমক্কী মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙহনখ্রে।

অসিগুম্বা লাইবক থীরবা থৌদোক অসি মণিপুরদা ইহান হান্না থোকপা থৌদোক অমনি হায়দুনা ফাওবা লৌবা য়ারি। থৌদোক অসিগী তাঙ্ককশিং মণিপুরগী পুৱারীদা ময়েক শেংনা ইদুনা লৈহৌরগদবনি। অদুবু অসিগুম্বা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি পাক শন্না শন্দোরক্তনবগীদমক লৈঙাক পায়বা অমসুং পায়দবা থিদনা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা খূদক্তা চোংথোক্তুনা হোৎনগদবা মতমদদি ইকায়খুম্নজরিবা মীহুৎ পূম্নমক উচি মখুলদা চঙখিবদৌনা মীয়াম্না মখোয়গী মৱা-মপাউ অমত্তা তাবা ফংখিদে। মসিমক্লা মরম ওইরগা ফুরুপ মশেলগী ওইবা তমথীরবা থৌদোকশিংবু মথং-মথং থোরক্তুনা মীয়ামদা অদুক্কী মতিক অৱা-চৈথেং পীখি। ফীভম অসিদগী সেন্টরগী লৈঙাক্লা খূৎ থিংজিল্লক্তুনা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুবু লাকশিন্দুনা মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু-লৈতাবা হঞ্জিলহল্লক্লবগীদমক পুলিসকী এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি-ইন্টলিজেন্স) গী ফম পুখিবা পুলিস ওফিসর অমবু ওপরেসনেল কম্মান্দর হাপ্তুনা মথৌ পাঙথোকহনখি। মসিদা নৎতনা মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসু হাপ্লকখি। লোয়নন্না মণিপুরদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুবু লাকশিন্নবা অহেনবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ফাওবা থাবীরকখি। মখোয়গা খূৎশম্নুনা হোৎনরকপগা ইরোয়নন্না মায়কৈ কয়াদগী ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনসু পামদবা থৌদোকশিং মখা তানা থোকহন্দনা মহৌশাগী পূন্সিদা হঞ্জিল্লক্লবা আপীল মথং-মথং তৌনরকখিবগী মহয়না হৌজিক্তি তমথীরবা ফীভমদা লৈরম্বদগী খরা খরা শাফরক্লে। মীয়াম পূম্নমক শ্বর চনিং তানা হোন্দোকচবা ফংলক্লে।

অদুবু অসিগুম্বা তাঞ্জা অসি য়ৌরকপদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মনম-মনম থোকচিল্লকখিবা মতমদনা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা লৈবীখিবা মীয়ামগী মীহুৎ পূম্নমক্কী মরক্তগী খরনা হৌজিক খরা শাফরক্লবা মতমদা থোরক্তুনা মখোয় মশেল ওনশিন্নদুনা অৱাই-অখুম তৌনরকপা অমসুং মীয়ামগীদমক খা-ৱাং চেন্দুনা মতেং পাংনবনি হায়দুনা চোংথোরক্লিবা অসিদি থৌদোকশিং অদুগী মৈশা লাংখ্রবা মীওই কয়াগী থম্মোয়না পেনগনি থাজদে।

মরমশিং অসিনা তুমিন্না লৈশিনবীখিবা ইকায়খুম্নজরিবা মীহুৎশিং অদুম্মক তুমিন্না লৈবীরো, হৌজিক্তি ঈরাং খরা নেমথরক্তুনা শাফবা হৌরক্লবনিনা মীয়াম মশেল তাথোক-তাশিন তৌনদুনা শন্দাইনবা হোৎনরগা ঈং-তপ্পা অমুক হঞ্জিলহন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎচরগে।

**অদোমগী - হেরামণি, ফুন্নৌ**